# ১৯৯৬ তা কোলকটাদা পাঙথোকখিবা শন্তোস ট্রোফিদা ঐহাক মণিপুর টিমগী কেপ্টেন ওইনা শরুক য়ারকখি : অখুবা কবুই



টি ঐচ অখুবা কবুই
ভেটরান ফুটবোল্লর



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

অকাউ পরে চল্লুরবশিং

(হান্নগী মখা...)

ওফিসর ময়াম্না ঐখোয়বু পুক্লিং থৌগৎপীদুনা হোৎনরকপনিনা ঐখোয়সু ট্রেনিংসি ফজনা চত্থরকখি। কোচনসু য়াম্না স্ট্রিক্ট তৌরগা পীবা ওইদুনা অতেনবা মতম খরদা পুলিস টিমনা ৱিন্নর ওইগনি হায়বসি প্লেয়র ওইজরিবা ঐখোয়দা থাজবা মপূং ফানা লৈজখি। হোৎনবসু ঐখোয় ফজনা হোৎনখি। ১৯৮৬ কী, সী সী মীটকী ৱিন্নর ওইখিবা মণিপুর পুলিস ক্লবকী টিমদা য়াওখিবা প্লেয়রশিংগী মমিং নৌহৌনা নীংশিংজরবদা, ঐ ইশামক অখুবা কবুই (টিম কেপ্টেন), এস অশোককুমার (ভাইস কেপ্টেন), ঐচ জয়কুমার, পাওজাংলুঙ কবুই, মহমদ তায়েব অলি, কে বিরেন সিংহ, পাওচারাই কবুই, অদুমৈ কবুই, তম্ফায়াই সিংহ, মঙ্গিজাও কবুই, হেম সিংহ, ইমোবা, নবকুমার, য়াইমা সিংহ, নব সিংহ, শামুঙৌ, মাইঙো, রাজ কবুই, রাজেন মচা, যুগেশ্বর জয়চান্দ, মঙা ৱাইফৈ, মেরাজাও, রনবীর, সেমশন তাঙ্খুল, রামবাই সিংহ... ঐখোয়সিনি। টিম মেনেজর ওইবীখিবনা সর প্রেমকুমার কবুইনি। এদভাইজরনা সর ৱাই জয়কুমারনি। অদুগা ওভরওল ইন চার্জনা সর শমানন্দনা ওইবীখি।

টিম অমা মায় পাকপা হায়বসিদা থোং মান্নদ্রবদি খক য়ারোই। ওফিসর ময়ামসিনসু ঐখোয়গীদমক হোৎন-বীখিবসি তশেংনমক্কী শিঙথা-নিঙাইনি। ফুটবোল মায় পাক্নবা হায়দুনা ঐখোয় ঙাক্তগী তোঙানবা বেরেক অমা থল্লিবনি। সিফাই কনামত্তগা য়েৎশিন্নহন্দনা, ঐখোয়গী তুম্বা-চাবা প্রেক্টিস তৌবা মতম পাননবা মী ফাওবা থওইনা ঙাকহল্লি। নুমিদাংগী পূং মাপলবু তাখ্রবদি মৈ মুৎথৎপা হায়বসি ঐখোয়গীদি মশাগী ওইনা নিয়মসু লৈজরিবনি। মসি তৌনা তৌনা ঐখোয়বু য়েংশিনবা মী থওইনা থল্লগা অমুকসু চেক তৌরিবনি। অয়ুক্কী ব্রেকফাষ্ট, লঞ্চ, দিন্নর অসিদসু সী সী মীটকী শেমগৎলিবা প্লেয়রনি হায়দুনা য়াম্না ফজনা হোৎনবীরকখি। প্লেয়রশিংবু নুংশিনা কুপ্না শেন্নদুনা ট্রেনিং তৌহল্লবনিনা ঐখোয়দসু সী সী মীটতা ৱিন্নর ওইদ্রগদি হায়বা অমা অদুম খলহল্লকখি।

অমরোমদা, কোচ ওইনা ঐখোয়বু ট্রেনিং পীবিরিবা তা-পাউফুলুঙনসু, ঐখোয় মতমদা খরা লীঙবা ক্লবশিং অসিগী খুৎশান্নশিং অসি চৎল-চৎলগা য়েংলুরিবনি। তুমিন তুমিন চৎতুনা য়েংলুরবা মতুংদা, য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নগী শান্নরিবা ষ্টাইলসিনা সিনি, ট্রাউ টিমগীনা হৌজিক হৌজিক অসুম্না কন্না শান্নরি, এস এস য়ুগীনা সুমাইনা শান্নৈ হায়দুনা মণিপুরগী ওইনা অরিঙবা টিমশিংনা শান্নরিবা মওং পূম্নমকসি ঐখোয়দা শুগাইনা তাকপীগনি। মায় পাক্নবা হোৎনরসি হায়রগদি, ক্লবশিংনা শান্নরিবা মওংশিং অসিসু ঐখোয় মুন্না খঙবা তাবনি হায়দুনা ফজ-ফজনা কুপ্না নৈনরকখি। ১৯৮৬ কী সী সী মীটতা ঐখোয়গা ফাইনেলদা থেংনখিবসি এস এস য়ু শিংজমৈগনি। হায়রিবা মতমসিদা, ফুটবোল য়াম্না লিঙবা ক্লবসি য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন অসিসু অমনি। মণিপুর পুলিস ক্লবকা সী সী মীটতা ফাইনেল য়াম্না থেংনরকখিবা ক্লবসিসু য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ননি। ১৯৭৬, ১৯৭৭, ১৯৭৮, ১৯৮০ হায়রিবা চহীশিং অসি পুলিস টিমগা ফাইনেলদা অদুমক লম্বা তৌনরকখি।

অসুম্না, ১৯৮৬ তা সী সী মীৎ লৌবদগী ঐখোয় পুলিস টিমগী প্লেয়র অয়াম্বা, শন্তোস ট্রোফিগী মণিপুর টিম শেম্নবা ট্রাইয়ল কৌরকখি। মদুদগী ঐখোয় খরা অমদি ১৯৮৬/৮৭ দা কোলকটাগী মোহন বগান গ্রাউণ্ডদা তৌখিবা শন্তোস ট্রোফিদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারকখি। হায়রিবা মণিপুর টিম অদুগী কেপ্টেনসু ঐহাক্না ওইজখি। ঐগী ওইনদি মদুনা নেসনেল থাক্তা শান্নবা অরোইবসু ওইখ্রে।

মরকসিদা, সর্ভিসরোমদা পুক্লিং খরদং চঙবা মতাং অমসু লৈখ্রে। শান্নবদগী খীত্তং পোত্থারকপা, সোমদসু সুবেদার ওইনা লৈরকপা মতমসিদা, নোংমা সর কামিনি কুমারনা ইথা থাজদনা ঐবু কৌরকই, অখুবা নঙ অমুক্তং ঐগী ইনাক্তা লাকউ হায়রকখি। অদুগা ওঝা কামিনিনা ঐঙোন্দা হায়রকপসি, নঙসু ফুটবোল মশক খঙনা শান্নরকপা মীনি। নঙগুম্বা মীওই অমনা ফুটবোলদা ফিদা অমা লৌনবা হোৎনদ্রিবসি করিগীনো? ফুটবোলদা ফিদা অমা লৌনবা হোৎনৌ। ওঝানা হায়রিবদু ঐ খঙই, রাম লাল পোল স্কুলদা তম্লকপনিনা সরনা ৱাহৈদু হায়বীরকপা মতমদা কোক নোম্মী। অদুদগী সর কামিনিনা নঙ এন আই এস চৎলো হায়দুনা মখা তারকখি। মদুদা ঐনা খুম্বসি, সর ঐদি চহীসু য়াম্মে। হৌজিক্তি সুবেদারসু কারে। ঐবু ফুটবোলগী এন আই এস চৎপা য়াখিগদ্রা হংজে। য়ানি য়ানি ঐ চে ইবীগে, নঙবু ডেপ্যুটেসনদা থাবীগনি। পি ঐচ ক্যুদগী পর্মিসন অমতংদি লৌরকউ। মখা তাবদি ঐনা থোকপা তৌবীগে। ফুটবোলদা নখোয় খরা কোচ ওইনা শেমগৎলম্বসি ঐগীসু অপাম্বনি। অসুম্না, খরা থেংনা ঐহাকসি সর কামিনিনা গাইদ তৌবীরগা এন আই এস ট্রেনিং তৌজরকখি।

মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৮

১. মহাক্কী লৈবাক য়াম্না লায়রৈ, হাৎন-শুনবগী চৎনবী য়াম্না লৈ, মহাকসু মীগী ময়ূমদা ব্রেদ (দবল রুটি) থিনবা চৎপগী থবক তৌরম্মী, খোঙউপ মোজা য়োল্লম্মী, অকোনবদা টেক্সি থৌখি। মহাক হৌজিক মহাক্কী লৈবাক্কী ফুটবোল কোচ ওইনা ইন্দিয়াদা লৈরি। মহাক কনানো?

২. ইন্দিয়াগী টিমদা নৌনা খনখিবা ক্রিকেট শান্নরোয় অমনা হৌখিবা থা নিপালমুক অসিদা টেষ্ট, ৱান দে অমদি ট্বেন্টি-২০দা পূন্না ৱিকেট ৩২ লৌবা ঙমখ্রে। মহাক্কী মমিং করি কৌই?

৩. ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অনী ফংখিবা দাক্তর অমনা অঙাংশিংবু চেকশিন্না য়োক্লবগী মরমদা লাইরিক অমা ইদুনা লাইরিক অদুগী কোপী মিল্লিয়ন ৪৫ য়োন্দুনা থোয়দোক হেন্দোক্লা মমীং চৎখি। মহাক্লা লৈরিবা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট লেপ্পদা মায় পাকখিদে। মহাক কনানো?

৪. মহাক ওলেম্পিক্কী ইক্বেষ্টরিয়ন (শগোল থৌবগী হৈশিংবা তান্নবা) গী থৌরমদা সনাগী মেদল ফংখিবা সিফাইগী জেনরেল অমনি। চহী খরগী মতুংদা আইন্না থিংবা হীদাক (দ্রগ) শিংগী অচৌবা করবার অমদা শরুক য়ারম্বদগী জেলদা থমখি। ৱায়েনবগী থবক চত্থদ্রিঙৈদা জেল মনুংদা শিখিবা নুপা অসিগী মমিং করি কৌই?

৫. পীরিবা শক্তম অসিগী মমিং পীয়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা শেলগী মতেং পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) : ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা লাক্লিবা ডিসেম্বর ৪ অমসুং ৫ দা কেরলাগী এলিপেদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ক্লাসিক পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপদা শরুক য়ানবগীদমক খল্লক্লবা শান্নরোয় মরিদা ৱার্ক্স, আই পি আর অমসুং কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা য়াইফ মঙ্গোল পীখিবগা লোয়ননা শেলগী মতেং পীরকপদা পাঙন্বা বোদি বিল্ডিং এন্দ পাৱরলিফটিং ট্রেনিং সেন্টরনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এসিয়ন ক্লাসিক পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াননবগীদমক্তা খল্লক্লবা পাৱরলিফটর মরি অদুদি সব-জুনিয়রগী কেজি ৭৪ গী কেটিগরিদা সোরাম সুনিল, জুনিয়রগী কেজি ৬৩ গীদা লক্ষ্মী নিংথৌজম, সিনিয়রগী কেজি ৭২ গী কেটিগরিদা নাওরেম ববিতা অমসুং সিনিয়রগী কেজি ৬৩ গী কেটিগরিদা লাইশ্রম মেলোলিনি।

## ক্রেমলিন কপ : টিয়ানজিন ওপনগী টাইটল লৌখিবদা ঙাইরিবী মারিয়া সরাপোভা অহানবা রাউণ্ডদা মায়থীখ্রে



মোস্কো, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি) : নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা টিয়ানজিন ওপনগী টাইটল লৌখিবদা ঙাইরিবী মারিয়া সরাপোভা ক্রেমলিন কপগী অহানবা রাউণ্ডদা মায়থীহৌরে।

ক্রেমলিন কপগী অহানবা রাউণ্ডদা ঙসি মারিয়া সরাপোভানা স্লোভেকিয়াগী মেগদালিনা রাইবারিকোভাগা শান্নখি। মেচ অদুদা মেগদালিনা রাইবারিকোভানা গ্রান্দস্লাম চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা রসিয়াগী মারিয়া সরাপোভাবু ৭-৬ (৩), ৬-৪ দা মায়থীবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখিবনি। অহানবা রাউন্দগী মেচতা থা ১৫ ডোপিং বেন তৌবদগী শান্নবা লেপ্পুরবা মতুংদা অহানবা ওইনা টিয়ানজিন ওপনগী টাইটল লৌখিবী মারিয়া সরাপোভা ৱানা শান্নবা উখি অমদি শান্নবদা অশোয়বা মীকুপ কয়া য়াওখি।

কুমজা ২০০৭ কী মতুংদা সরাপোভানা মহাক্কী ময়ূম লমদমদা অহানবা ওইনা দব্লিয়ু টি এগী ইভেন্ট অসি শরুক য়াখিবনি। মসিদা মশিং য়াল্লবা ভাবোক কয়ানসু মহাক্কীদমক্তা সপোর্ট তৌখিবনি। অদুমকপু মহাক রাইবারিকোভাগী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

ক্রেমলিন কপকী অহানবা রাউণ্ডদা মফমদুগী ভাবোকশিংনা খ্বাইদগী পাম্নবা শান্নরোয় অমা ওইখিবা ইকাটরিনা মকারোভাবু মায়থীবা পীরম্লগা ফ্রান্সকী এলিস কোর্নেটনা অনীশুবা রাউণ্ডদা মারিয়া সরাপোভাগা শান্নরবা য়াই হায়না পানখিবনি। অদুবু অহানবা রাউণ্ডদা মারিয়া সরাপোভা মায়থীখিবনা মরম ওইরগা ফ্রান্সকী এলিস কোর্নেটনা স্লোভেকিয়াগী মেগদালিনা রাইবারিকোভাগা থেংনরগনি হায়রি।

## ডেনমার্ক ওপন সুপর সেরিজ : প্রন্নোই মায় পাকখ্রে, মেন’স অমসুং মিক্স দবলস অনীমক্তা সটৱিক মায়থীহৌরে



ওদেন্স, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি) : ডেনমার্ককী ওদেন্সতা পাঙথোক্লিবা ডেনমার্ক ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়রগী ঙরাং শান্নখিবা ওপনিং রাউণ্ডগী মেন’স সিঙ্গলসকী মেচতা ইন্দিয়াগী ঐচএস প্রন্নোই মায় পাকখ্রে। অদুগা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা সটলর সটৱিকসাইরাজ রনকিরেদ্দিদি মেন’স অমসুং মিক্স দবলসকী ইভেন্ট অনীমক্তা মায়থীহৌরে।

মেন’স সিঙ্গলসকী ওপনিং রাউণ্ডদা ইন্দিয়াগী ঐসএস প্রন্নোইনা ডেনমার্ককী ইমিল হোলষ্টকা শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৱর্ল্ড নম্বর ১৫ প্রন্নোইনা অহানবা সেটতা ইমিল হোলষ্টপু ২১-১৮, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেটতা প্রন্নোইনা মায় পাক্লবা মতু অনীশুবা সেট হৌরকপদা ইমিল হোলষ্টনা ১১-৬ তমাঙজিল থারগা চৎখি। অদুবু প্রন্নোইনা মেচ অদু রিকোভর তৌদুনা অকনবা লম্বা তৌনরগা অনীশুবা সেট অদুসু মায় পাকপা ঙমখিবনি। প্রন্নোইনা ইমিল হোলষ্টপু মায়থীবা পীবা অসি ঙসিগী থারগা অহুমশুবনি। মথংগী রাউণ্ডদা ইন্দিয়াগী সটলর প্রন্নোইনা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা মলেসিয়ন লি চোং ৱৈগা শান্নগনি।

অমরোমদা হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা ডটচ ওপনদা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবা ইন্দিয়াগী সটৱিকসাইরাজ রনকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি বোনাপানা মিক্স দবলসতা ডেনমার্ককী নিক্লাস নোর অমসুং সরা থাইজিসেনগী জুরাগী মখূৎতা ১৯-২১ অমসুং ১৭-২১ দা মায়থীহৌরে। মেন’স দবলসতনা সটৱিকসাইরাজ রনকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ চেথিগী জুরা কোরিয়াগী চুং ইউই সিওক অমসুং কিম দুকয়োংগী মখূৎতা ২১-১৪, ১৮-২১, ১৭-২১ দা মায়থীহৌরে।

## ফেদররগী ময়ূম লমদমদা পাঙথোক্কদবা ইভেন্টতা নাদাল খুউদা অনাবা লৈবনা শরুক য়াররোই



বাসেল, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি) : রোজর ফেদররগী ময়ূম লমদম ওইরিবা স্বিটজর্লেণ্ডদা মথং চয়োলদা পাঙ-থোক্কদৌরিবা স্বিজ ইন্দোর্সকী ইভেন্টতা রাফেল নাদাল খুউদা অনাবা লৈবনা শরুক য়াররোই হায়রি।

টোপ রেঙ্কতা লৈরিবা রাফেল নাদালনা হায়খি, মহাক খুউদা অনাবা লৈবনা স্বিজ ইন্দোর্সতা শরুক য়াবা ঙম্লরোই হায়নসু কনফার্ম তৌখ্রে। মহাক্কী য়েৎ থংবা খোঙগী খুউদা ওভরষ্ট্রেসিং তৌদুনা লৈরিবা অনাবা অসি ফহন্নবগীদমক ডোক্টর তান্নদুনা মেদিকেল এদভাইস লৌবদা মতম খরা পোত্থাননবা খঙহল্লকপনা স্বিজ ওপন অসিদগী শরুক য়াদনবা ফিরেপ লৌবনি। অনাবা অসি হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা শাঙহাই ওপন্সকী ফাইনেল মেচতগী হৌরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি। রাফেল নাদাল শাঙহাই ওপন্সকী ফাইনেলদা রোজর ফেদররগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি।

## এসিয়া কপ হোকি : সুপর ফোরদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া দ্রো চৎখ্রে

ধাকা, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি) : বংলাদেশকী ধাকাদা চত্থরিবা ১০শুবা মেন’স এসিয়া কপ হোকি টুর্নামেন্টকী সুপর ফোর ষ্টেজগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া দ্রো চৎখ্রে।

গ্রুপ রাউণ্ডদা মেচ অমফাওবা মায়থীবা নংদনা লাকখিবা ইন্দিয়ানা ঙসি এসিয়া কপকী সুপর ফোর ষ্টেজগী অহানবা মেচতা সাউথ কোরিয়াগা শান্নখিবনি। মেচ অদুদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা ক্বার্টরদা টিম অনীমক্লা য়াম্না ফজনা শান্নখি। অনীশুবা ক্বার্টরদসু টিম অনীমক্লা গোল চন্ননবা অকনবা এটেক কয়া চত্থনখি। অদুবু মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর লোইরকপা ফাওবদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়া গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা ০-০ দা লৈখি।



অহুমশুবা ক্বার্টরগী ৪১ শুবা মিনিটতা লি জুংজুননা গোল অমা চন্দুনা সাউথ কোরিয়ানা মাঙজিল থাহনখি। মেচ অদু মায়থীবা য়াদে হায়দুনা য়াম্না ফজনা ডিফেন্দ তৌরগা শান্নখিবা সাউথ কোরিয়ানা মেচ অদু লোইরমদাই ফাওবদা মায় পাকপগী ফিভমদা লৈহনখি। অদুমকপু মেচকী লোইরমদাই মীকুপ হায়বদি ৬০ শুবা মিনিটতা ষ্ট্রাইকর গুরজন্ট সিংহনা ইন্দিয়াগী গোল অমা চন্দুনা সাউথ কোরিয়ানা মাঙজিল থারগা লাকখিবা গোল অদু ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা মখা তাবা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। ষ্ট্রাইকর গুরজন্ট সিংহনা মেচ লোইরমদাইদা চনখিবা গোল অদুনা ইন্দিয়াবু মায়থীহৌগদবদগী কনখিবতা নত্তনা মেচ অদু গোল ১-১ দা দ্রো চৎহনখি।

গ্রুপ ষ্টেজতা ইন্দিয়াগী অনীশুবা মেচ ওইনা হয়েং মলেসিয়াগা শান্নগনি। সুপর ফোরগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা মলেসিয়ানা পাকিস্টানবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

## ইন্দিয়ন কম্পাউন্দ আর্চরিগী কোচ সস্পেন্দ তৌখ্রে

কোলকটা, ওক্টোবর ১৮ (এজেন্সি) : আর্জেন্টিনাদা য়ুথ ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নসিপ পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা গ্রেট বৃটেন টিমগী নুপী অমবু নমদুনা লেঙ্গোল্লুই হায়বগী মরাল শীরকপদগী আর্চরি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) না ইন্দিয়ন কম্পাউন্দ আর্চরি কোচ সুনিলকুমার সস্পেন্দ তৌখ্রে।

হরিয়ানা কোচ অসিনা গ্রেট বৃটেনগী নুপী মেম্বর অমবু লেঙ্গোল্লুই হায়বগী মরাল শীরকপগা লোয়ননা মতিক চাদবা থৌওং চৎথৈ হায়দুনা মহাকপু চেম্পিয়নসিপ অসিদগী য়ূমদা হলহল্লকখি। থৌদোক অসি ওফিসল প্রেক্টিস সেসন চত্থরিঙৈ মনুংদা থোকখিবনি।



এ এ আইগী সেক্রেটরি জেনরেল অনিল কামিনেনিনা ফোঙদোকখিবদা ৱর্ল্ড আর্চরিগী কোদ ওফ কন্দক্ট লৈজে। অমদি থৌদোক অদুগী মতাংদা লাকখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না কোচ অসিবু সস্পেন্দ তৌখিবনি। এ এ আইগী মায়কৈদগীসু থৌদোক অসিগী মরী লৈনবা রিপোর্ট খুদিংমক পীবিননবা ইন্টর্নেসনেল ফেদরেসন অমসুং বৃটেনগী টিমদা খঙহনখিবা লৈরে। অকুপ্পা রিপোর্টশিং অদু লাক্লবা মতুংদা এ এ আইনা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইন্টর্নেল ইনক্বাইরি অমগা অমুক চত্থদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎকনি।

টোপ রেঙ্কতা লৈরিবা ইন্দিয়ন কম্পাউন্দ আর্চর ময়াঙ্ক ৱাৱটকী রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না সুনিলকুমারবু কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি।

য়ুথ ৱর্ল্ড আর্চরি চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী মেম্বর ৮গী কোচিং টিমদা সুনিলকুমারসু শরুক য়াখিবনি। চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন টিমগী কোচশিং অসি আর্চরশিংগী প্রীফরেন্স মতুং ইন্না এ এ আইনা খনখিবনি হায়রি।

## মণিপুর টিমগী পাৱরলিফটরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস) : হাওরাগী অন্দুল মৌরিদা লাক্লিবা ওক্টোবর ২২ দগী ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া সিনিয়র (মেন এন্দ রুমেন) পাৱরলিফটিং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিমগী পাৱরলিফটরশিং অমদি ওফিসলশিং খল্লে হায়না ওল মণিপুর পাৱরলিফটিং এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর টিমগী খল্লবা লিফটরশিং অদুদি নুপাগীদা পি বি বি পি টি সীগী এন জিমি (কেজি ৫৯), রোহিট (কেজি ৫৯), এম রোনাইদো (কেজি ৬৬), এস সুনিল (কেজি ৭৪), টিঐচ সুরজকুমার (কেজি ৮২), সুন্দর (৮২) অমসুং রোসন লাইশ্রম (কেজি ১০২) নি। অদুগা লময়ানবা জিম য়াইরিপোক্কী শৈখ শুখান (কেজি ৯৩) নি।

মণিপুর টিমগী খল্লবা নুপী পাৱরলিফটরশিং অদুনা পি বি বি পি টি সীগী আর কে লমঙানবী চনু (কেজি ৪৭), আর কে লোসিতা চনু (কেজি ৫২), এন জি তোম্বী (কেজি ৫৭), এম অবেমচু (কেজি ৬৩), কে লিন্দা মঙাং (কেজি ৭২) অমসুং এস য়াইস্না (কেজি ৮৪)নি। অংথা শাজেল শঙদগীনা কে তোম্বী (কেজি ৫৭), এল মেমোলি (কেজি ৬৩) অমসুং কে য়াইফবী (কেজি ৮৪ গী মথক) নি।

খল্লবা টিম ওফিসলশিং অদুনা কোচ ওইনা ঈ ইনাও, মেনেজর ওইনা এন জি থোইবা, রেফ্রী ওইনা কেঐচ নিংথেম অমসুং এন সুসিলানি হায়না ওল মণিপুর পাৱরলিফটিং এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।




HL-B/4170/15/10-14/11